# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-03-2025)**

**সটদাউন্দ (এল)ঃ** কুকি জো কাউন্সিলনা মতম কক্তনা থম্লন্বা টোটেল সটদাউন্দগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

থা অসিগী ৮ দা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা লালগৌথাং সিংশিৎকী অশিবা হকচাং ফৈজাংগী মারটিয়ার সিমিত্রিদা ঙরাং লৈরোল চনখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী-ভাগুনৈ সিংসিৎনা হায়-টোটেল সটদাউন্দ হন্দোকখিবদগী লন্বী অসিদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং মহৌশাগুম চৎথোক চৎশিন য়ারে। অদুমওইনমক, কুকি জো কাউন্সিলগা হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নবা অদুদি হীরম খরদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে হায়রি।

**য়াওশং (এল)ঃ** মচুগী কুম্মৈ, য়াওশং মনিপুরদা ঙসিদগী হৌরগনি। কুম্মৈ অসিনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ মঙানি চথুগদবা য়াওশং কুম্মৈ রাজ্য অসিগী লৈকাই লৈকাইদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

**মেঘাচন্দ্র (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়রি-সংসদতা হন্দক পুথোকখিবা মনিপুরগী বজেট অদুদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী শেনফম খরখক্তমক হাপীরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মখোয়গী ফিভম হেন্না শাফনবগীদমক অখন্নবা পেকেজ অমা লাউথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱাফম

অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিল্লকবা সরকারনা অথুবা মতমদা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয় মখোয়গা হান্নগী মফমশিং অদুদা য়ুম-কৈনচিংবা শাননবা অখন্নবা পেকেজ অমা সরকারনা লাউথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা ইরাং অসি লোয়শিনদুনা শান্তি পুরকবা লম্বীরোমদা চংশিনবা ঙমগনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী ট্রেন্নিং এন্দ প্লেসমেন সেলনা স্পর্কিল এদুকেস্নেল সার্ভিস মনিপুরগা খুৎশমদুনা মপাল লমদা মাস্তর তম্বগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা এম.টি.য়ু. কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

**ট্রেনিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চান্দেলনা শিনদুনা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা চান্দেলগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

চান্দেলগী এস.পিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী ওফিসার অমসুং পার্সোনেল পুন্না মীওই ৫৬ না শরুক য়াখি।

**ওবিৎ (এল)ঃ** মনিপুরগী শকাইরবা নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, থা অসিগী ১২ গী অহিং নোংয়াইদা মশাগী য়ুম ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৩ শুখ্রে।

মহাক ইং ২০১০ দগী ২০১৪ জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী ভাইস চেয়ারমেন ওইরম্মী। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা পীবা মৈস্নাম তোম্বী ক্রিটিক এৱার্ড, মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী ফেলোনচিংবা ফংখি। মহাকা মনিপুরি সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা, মনিপুরি সাহিত্যগী ৱারেং খরনচিংবা লাইরিক ইরমখি।

মহাকা লৈখিদবদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল রাইটরস এসোসিয়েসন, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ-ত্রিপুরানসু নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**এলেটিক (এল)ঃ** বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা ৪৫ শুবা নেসনেল মাস্তর এঠলেটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা চহি ৪০ গী মথক্কী কেটেগোরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈদগী সোরাইশম মনিহার সিংহনা মিটর লিশিং ১,৫০০ গী লমজেলদা সনাগী তকমান লৌরক্লে। মিটর লিশিং মঙাগী লমজেলদা লুপাগী তকমান অমদি মিটির লিশিং তরাগী লমজেলদস্ লুপাগী তকমান লৌরক্লে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা সোরাইশম মনিহারনা সনাগী তকমান লৌরকপদা পাঙ্গৈ য়াংদোং ৱিমেন্স ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা ইরাং লাকশিন্নবা চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা লেপ্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-বোর এক্সন থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, ইনসাস এল.এম.জি. মেগজিন তরা, ইনসাস রাইফলগী মেগজিন অমা, নাইন এম.এমগী করবাইন মেছিনগন অমা, নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, নাইন.এম.এমগী মেছিন অমা, এস.বি.বি.এল. অমা, পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

মনিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম ফারে।

নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো ইম্ফাল অমসুং মনিপুর পুলিসনা অপুনবা কাংবু

অমনা থৌবাল জিলাগী লিলোংদগী মীওই অহুমদগী য়াল্লবা ডল্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেট কিলোগ্রাম ১০০ রোম ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১৬২ অকনবা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং থমলে।

**ৱেবস ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-মালেম অসি শেল থুম অমদি রাজনিতিগী ওইবা লম কয়াদা টেকোলোজি অমদি কলা সংস্কৃত্তিগা লোয়ননা খুমাং চাউশিল্লক্লি। মসিদা ভারতপু মালেমগী লৈবাক কয়ানা তমজনফম ওইবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি।

ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্যেল এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সমিট ৱেবকী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-চাউখৎপা হায়বসি চুমগী অচুম্বা ৱারী খক্তনা মীয়ামদা খঙহনবা ঙমলোই। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা খেৎনবা কয়া অদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎলবা মতমদা চাউখৎপা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-চহি অসিগী মেদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৱেবসকী মীফম অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা লম অসিদা খুমাং য়াংনা চাউশিল্লক্লি হায়বদু তশেংনা উৎপা ঙল্লগনি অমদি মীয়ামদা খঙহনবা ঙল্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী টিমনা মীতৈ অমসুং কুকিগী মীহুৎশিংগা উন্নখিবা, সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ পীরোই হায়না কুকিশিংদা

খঙহনখিবা, মনিপুরদা শান্তি পুরকবা রোড মেপ শেম্লগনি হায়না ফোক্সকী মীহুৎশিংদা খঙহনখিবা, মিজোরাম এসেমব্লিগী থৌওং অমসুং এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগী ৱাফমদা ম্যান্মারগী মিলিটরি জন্তানা য়ানিংদবা ফোংদোকপা অমসুং মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী টিমনা মীতৈ অমসুং কুকিগী গ্রুপশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউনা মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তোখাইবা লৈঙাক পীবা সেন্টরনা য়াদে হায়বা কুকিশিংদা খঙহনখ্রে। কুকিশিংনা রিফরেন্দম লৌননবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, মোরনিং বেল, নহারোলগী থৌদাং পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিজোরাম এসেমব্লিগী থৌওং অমসুং এম.পি. লৈশেম্বগী ৱাফমদা ম্যান্মার জন্তা তুমিন্না লৈবা ঙম্লক্ত্রে। ইন্দিয়াগী পোলিতিসিয়ানশিংনা লৈবাক অনিগী মরী থদৎনবা থবক তৌবা চুমলোই হায়না ম্যান্মার জন্তানা ফোংদোরকপা ৱাফম পোক ফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইনদা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদা খুৎশু খুৎলায় লৈবদা শাশিন্নবা লাইসেন্স শিজিন্নরে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ফাগৎখিবা খুৎলায় লিশিং ৪,৫০০ শুখ্রে, ফাগৎপসু লেপত্রি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নাগা এম.এল.এশিং অমসুং চুরাচান্দপুরগী মীয়ামনা গভনরগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ইশুশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলগী

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংনা সটদাউন্দ হন্দোকখ্রে, পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ঙসিদগী থারগনি হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ. তরুকা গভনর উন্নদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। তেংনৌপল জিলাদা ম্যান্মার মচা অমা ফারে, তম্পাক্কী জিলাশিংদগী লালহৌবা মরি ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।